# ইন্দিয়ানা ট্রেক এসিয়া কপকী অহৌবা নুমিৎতা মেদল তরুক লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ : ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মফম অসিগী ইন্দিরা গান্ধি কমপ্লেক্স ভেলোদ্রোমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী চথবা হৌখ্রবা ট্রেক এসিয়া কপকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন সাইক্লিং টিমনা গোল্ড মেদল অহুম, সিলভর মেদল অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল তরুক লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মালেসিয়ানা ইন্দিয়ানা লৌখিবা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল মশিং অদুগা মান্ননা লৌখিদুনা টোপ স্পোটতা লৈমিন্নখ্রে।

ইন্দিয়াগী ফেবরাইট দেবোরাহ হেরোল্ডনা নুপীগী এলিট মিটর ৫০০ টাইম ট্রাইএল অমদি এলিট স্প্রিন্ট টিমদা গোল্ড মেদল অনী লৌখি। দেবোরাহনা টাইম ট্রাইএল অদুদা ৩৫.৯৬৪ সেকেন্দ থৌদুনা মালেসিয়াগী মুহম্মদ অদনান ফরিনা শৰাটি অমদি হোং কোংগী য়িন য়িনদগী মাঙজিল থাখিদুনা গোল্ড মেদল ফংখি।

টিম স্প্রিন্ট ইভেন্টদা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা দেবোরাহ অমদি কেজিয়া ভার্ঘীজনা কজাখস্থান টিমবু ৩৫.৯৬২ সেকেন্দ য়াঙনা থৌদুনা মায়থীবা পীখি।

ইভেন্ট অদু লোইরবা মতুংদা দেবোরাহনা হায়খি, ঐহাক হৌখিবা নুমিৎ ১০ নিরোম নঙ্গলগী অনাবা লৈখি অদুবু ইভেন্ট অসিগী অহৌবদা ঐনা নিংথিনা থৌবা হৌখিদুনা মায় পাকপা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা ঐনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স মপুং ফানা পীবা ঙমখিদ্রবসু গোল্ড লৌনবগীদমক্তদি মতীক চাখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নহা ওইরিবা এলেনা রেজিনা জুনিয়রগী মিটর ৫০০ গী টাইম ট্রাইএলদা উজবেকিস্থানগী জান্টুগানোভা ওলগাবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনেল পার্ফোমেন্স ওইনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মালেসিয়াগী অনিস অমিরা রোসেদিনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল লৌখি। অনিস অমিরা রোসেদিনা ৩৮.৪৪৩ সেকেন্দ থৌদুনা য়েল্লো মেদল অদু লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী **রাজকুমারী অবে দেবী** না কিলোমিটর অহুমগী এলিট ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইট ইভেন্টদা ৰার্ক ওভর ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগীদা ইরাননা এলিট টিম স্প্রিন্টদা ৪৬.৩৩০ সেকেন্দ থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা মালেসিয়ানা ৪৭.৯৯৯ সেকেন্দ থৌদুনা সিলভর মেদল ফংখি।

জুনিয়রগী মরক্তা ইন্দিয়াগী নুপা টিমনা টিম স্প্রিন্টদা ৪৯.২৯৯ সেকেন্দ থৌদুনা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা নুপীনা ৩৭.৪৫২ সেকেন্দ থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক মালেসিয়াগা টোপ স্পোটতা লৈমিন্নখ্রে। টিম অনীমক্না গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদলশিং মশিং চপ মান্ননা লৌবা ঙমখি।

নুপীগী এলিটকী মিটর ৫০০ গী টাইম ট্রাইএলদা দেবোরাহ হেরোল্ড (৩৫.৯৬৪) না ফার্ষ্ট, মালেসিয়াগী মুহম্মদ অদনান ফরিনা শৰাটি (৩৭.৪৬১) না সেকেন্দ, হোং কোংগী য়িন য়িন লি (৩৮.৮৪৫) না থার্দ পোজিসন তাখি।

টিম স্প্রিন্টদা ইন্দিয়া (৩৫.৯৬২) না ফার্ষ্ট, কজাখস্থান (৪০.১৫৭) না সেকেন্দ তাখি। ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইট (কিমি ৩) তা হোং কোংগী য়াও পাং (৩:৪৬:৭৩৮) না ফার্ষ্ট, কজাখস্থানগী য়েকাটেরিনা য়ুরাইটিস (৩:৫১:৩০৬) না সেকেন্দ অমসুং ইন্দিয়াগী রাজকুমারী অবে দেবী (ৰাঙ্ক ওভর) না থার্দ তাখি।

জুনিয়র টিম স্প্রিন্টদা ইন্দিয়া (৩৭.৪৫১) না ফার্ষ্ট, উজবেকিস্থান (৪১.৬৪০) না সেকেন্দ তাখি। মিটর ৫০০ গী টাইম ট্রাইএলদা মালেসিয়াগী অনিস অমিরা রোসেদি (৩৮.৪৪৩) না ফার্ষ্ট, ইন্দিয়াগী অলেনা রেজি (৩৮.৫০১) না সেকেন্দ অমসুং উজবেকিস্থানগী ওলগা জান্টুগানোভা (৪১.৬৫০) না থার্দ তাখি।

ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইট (কিমি ২) তা মালেসিয়াগী অনিস অমিরা রোসেদি (২:৩৭:৯৭৮) না ফার্ষ্ট, কজাখস্থানগী ভেরোনিকা মাইরক্সিনা (২:৩৯:৯৯৪) না সেকেন্দ অমদি হোং কোংগী হোই ৰাহ লিয়ুং (২:৪৩:৮৫১) না থার্দ তাখি।

নুপাগী এলিটকী টিম স্প্রিন্টদা ইরান (৪৬.৩৩০) না ফার্ষ্ট, মালেসিয়া ( ৪৭.৯৯৯) না সেকেন্দ তাখি।

ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইট (কি মি ৪) তা হোং কোংগী চুন ৰিং লিয়ুংনা ফার্ষ্ট, উজবেকিস্থানগী এন্দ্রে ইজমেলোভনা সেকেন্দ অমদি মালেসিয়াগী ইমান ফিরদাওস মুহম্মদ জাস্রিনা থার্দ তাখি।

জুনিয়রগী টিম স্প্রিন্টদা হোং কোং (৪৮.৭৫০) না ফার্ষ্ট, ইন্দিয়া (৪৯.২৯৯) না সেকেন্দ তাখি। ইন্দিভিজুয়েল পার্সুইট (কি মি ৩) তা মালেসিয়াগী মুহম্মদ দানিএল হাইক্কল ইদি সুহাইদি (৩:৩১:৭৫৬) না ফার্ষ্ট, য়ু এ ঈগী জসিম অলি ক্কাম্বার (৩:৩২:০১৪) না সেকেন্দ তাখি।



# ‘রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা য়ু এস এগী এথলেটশিং অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং শিজিন্নখি’

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৫ : রসিয়াগী হেক্কর টিম অমনা লোত্তুনা থম্বা মেদিকেলগী দেটাশিং চয়োল অসিগী অহানবা শরুক্তা লৌথোক্তুনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং অতোপ্পা বেজগী এথলেটশিংগী দেটা অমসু টিম অসিমক্না লৌথোকখ্রে হায়না ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না হেক্করশিং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জর্মনি, বৃটেন, চেক রিপব্লিক, দেনমার্ক, পোলেন্দ, রোমানিয়া অমদি রসিয়াগী এথলেট ২৫ গী দেটাশিং রিলিজ তৌখি।

এ পি টি ২৮ অমদি ফেন্সি বিয়র হায়না খঙনবা হেক্কিং গ্রুপ অসিনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা অমেরিকাগী এথলেট অহুমগী ৰারোলবু ৱাদানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা শান্নববু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবদা চাউরবা দাইত্ব লৌরিবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী অরোৎপা দেটাশিং রসিয়াগী হেক্কিং গ্রুপ ফেন্সি বিয়র্স হেক টিমনা ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিম অসিনা অমেরিকাগী টেনিস ষ্টার ৱিল্লিয়মস মচিন-মনাও য়াওনা রিও গেমসদা গোল্ড মেদল মরি লৌখিবী জিম্নাষ্ট সাইমন বিলসনা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং শিজিন্নবগী অয়াবা এজেন্সি অসিনা পীখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী অরোৎপা দেটাশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইবা য়ু এসকী এথলেটশিংগা মরী লৈনবা ফাইল কয়া অমসু ইন্টরনেটতা থাগৎতুনা মালেম শিনবা থুংনা খঙহনখ্রে হায়না হেক্কর টিম অসিনা ফোঙদোকখি।

হেক্কর টিম অসিগী মতুং ইন্না নুপী টেনিসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বদগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা কুমজা ২০১০, ২০১৪ অমদি কুমজা ২০১৫ দা ফোঙদোকখিবদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ওক্সিকোদোন, হাদ্রোমোফোর্ন, প্রেদনিসোন অমদি মিথাইল প্রিদনোসোলোন য়াওনা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং শিজিন্নবগী অয়াবা ৱাদানা পীখি। রিও গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট জিম্নাষ্ট সাইমন বিলসসু দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখ্রবসু দিসক্কালিফাই তৌখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসনা প্রেদনিসোন, প্রেদনিসোলোন অমদি ট্রাইমসিনোলোন য়াওনা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং কুমজা ২০১০, ২০১১, ২০১২ অমদি কুমজা ২০১৩ দা শিজিন্নবগী অয়াবা পীখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা এথলেটশিং অসিনা করি লায়না নাখিবগীদমক ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না মখোয়বু দ্রগশিং অদু শিজিন্নবগী অয়াবা পীখিবনো হায়বদু পনখিদে হায়রি।

হেক্কর টিম অসিনা মখা তানা গোল্ড মেদল তরারক লৌখিবদা নত্তনা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল মরি লৌখিবা সাইমন বিলসনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা মিথাইলফেনিদেট পোজিটিব ওইখ্রবসু দিসক্কালিফাই তৌখিদে অমদি কুমজা ২০১৩ অমদি ২০১৪ দসু মহাক্না দেক্সট্রোমফেটামিন শিজিন্নবগী অয়াবা পীখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ৱাদাগী দেটাশিং অদুদা অমেরিকান এথলেট কয়া অমা দোপিং টেষ্টতা পোজিটিব ওইখি হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী মেদলিষ্টশিংনা অথিংবা থমখ্রবা অমদি ময়াক কনবা দ্রগশিং শিজিন্নখিবনা মখোয়না দোপিংগী লাইসেন্স ফংবগা মান্নখি অমদি ৱাদা অমসুং ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী মেদিকেল অমদি সাইন্টিফিক দিপার্টমেন্ট অসি শেঞ্জা-থুমজানা হারবা মফম অমগুম মখোয়না তৌথোরকপা থবক্না উখোক্লে হায়রি।

হেক্কর টিম অসিনা হায়, য়ু এস এনা কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল ৪৬, সিলভর মেদল ৩৭ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩৮ অপুনবা মেদল ১২১ লৌদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। মসি মিনম-শোরি য়াওখিদে হায়বদি লানগনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মখোয়গী বাস্কেটবোল ষ্টার ইলেনা দেল দোন দ্রগ টেষ্ট তৌবদা এম্ফেটামাইন শিজিন্নখিবগী খুদম চাংদম ফংবগী মথক্তা কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা অথিংবা থমখ্রবা হায়দ্রোকোর্টিসোন শিজিন্নদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ড এথলেট টিমবু ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চথখি হায়বা মরালদা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা রিও সম্মর ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবা অদুদগী তোঙান-তোঙানবা হেক্কিং গ্রুপশিংনা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী দেটাশিং হেক তৌগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।




# নরেশ কুমার শর্ম্মনা শুটিং ইভেন্টদা ৪০শুবা তাহৌরে

রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ১৫ : ইন্দিয়াগী নরেশ কুমার শর্ম্মনা মফম অসিদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক্সকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী মিক্স আর ৬-মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন এস ঐচ১ ইভেন্টদা ৪০শুবা পোজিসন তাহৌখিদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে।

নরেশনা রিওদা মহাক্কী মরিশুবা ইভেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবদা অপুনবা পোইন্ট ৫৯১.০০ স্কোর তৌদুনা কম্পিটিটর ৪২ না শরুক য়াখিবা অদুদা ৪০শুবা পোজিসন তাহৌখি। মহাক্না ইভেন্ট অদুগী অহৌবা সেরিজদা ৯৭.৭ লৌদুনা মশক থোক্লা শান্নবা হৌখি। অদুবু মখা তাবা সেরিজ অহুমদা মথংশিংনা ৯৮.৩, ৯৯.১ অমদি ৯৬.৯ স্কোর তৌখি।

বৃটেনগী মেট্ট স্কেলহোননা পোইন্ট ৬২২.৫, সুল্টান অলারিয়ানিনা পোইন্ট ৬১৯.৫ অমদি সাউথ কোরিয়াগী জিন হো পার্কনা পোইন্ট ৬১৮.৫ ফংখিদুনা টোপ থ্রিগী মফম কনখিবগা লোয়ননা ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে।



পনবা য়াই, জেভলিন থ্রোৱর দেভেন্দ্রা ঝাঝারিয়ানা মফম অসিদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক্সকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক মশাগী রেকোর্দ থুগায়দুনা টোপ ওনরগী মফম কঞ্জখিবগা লোয়ননা পরালিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙম্বা অহানবা ইন্দিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

দেভেন্দ্রানা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স গেমসদা অহানবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্না এথেন্স গেমসদা থমখিবা মহাক্কী রেকোর্দ অদুদগী ফগৎনা রিও গেমসদা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা নুপাগী এফ ৪৬ কী ইভেন্টকী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। মহাক্না এথেন্সতা মিটর ৬২.১৫ শান্না লংদুনা রেকোর্দ থমখিবা অদুদগী ফগৎনা মিটর ৬৩.৯৭ শান্না লংদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক চথরিবা রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা গোল্ড অনী, সিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল ৪ লৌবা ঙমখ্রে। থাঙ্গাভেলু মারিয়াপ্পাননা মমাঙদা নুপাগী হায় জম্পতা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা ভারুন ভাটিনা চপ মান্নবা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। মতুংদা দিপা মালিকনা নুপীগী শোট পুট ইভেন্টতা সিলভর মেদল অমগা লৌবা ঙমখিদুনা ইন্দিয়াগী মেদল মশিংদা হেঙ্গৎহনখি।

অতোপ্পা গেমস অসিগী ইভেন্টতা নরেশ কুমার শর্ম্মনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল প্রোন শুটিং ইভেন্টকী ক্কালিফিকেসন রাউন্দদা ৪৪শুবা পোজিসনদা লৈহৌখিদুনা টুর্ণামেন্টদগী মপান থোকখি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী নরেশ কুমার শর্ম্মনা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও পরালিম্পিক্সকী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ষ্টেন্দিং এস ঐচ-১ গী ক্কালিফিকেসন রাউন্দদা ২১ শুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

# ইন্দিয়া অমদি কোরিয়ানা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকী হৌদোকপা নুমিৎতা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ : তরেৎলক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি ফেভরাইট ইন্দিয়ানা লাক্লিবা ওক্টোবর ৭ তগী ২২ ফাওবা অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপ ২০১৬ কী ওপনিং মেচতা সাউথ কোরিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

য়ুম্বু ইন্দিয়াদা নত্তনা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি য়ু এস এ, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ইরান, পোলেন্দ, থাইলেন্দ, বংলাদেশ, সাউথ কোরিয়া, জপান, অর্জেন্টিনা অমদি কেনয়ানি।

টিম ১২ অসিনা গ্রুপ অনী খায়দোক্তুনা গ্রুপ অমমমদা টিম ৬/৬ না পুনগনি। গ্রুপ এদা য়াওরিবা টিমশিংনা ইন্দিয়া, বংলাদেশ, সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ অমদি অর্জেন্টিনানি। অদুগা গ্রুপ বিদা য়াওরিবা টিমনা ইরান, জপান, য়ু এস এ, পোলেন্দ, থাইলেন্দ অমদি কেনয়ানি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেমী ফাইনেলনা ওক্টোবর ২১ দা পাঙথোক্কনি অদুগা ফাইনেল মেচনা ওক্টোবর ২২ দা শান্নগনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেদ্যুল লাউথোকখিবদা নত্তনা ফাওরবা এসিয়াটিক লাইওননা টুর্ণামেন্ট অসিগী শকখঙ খুদম ওইগদৌরিবা লোগোসু মায়খুম হাংদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হৌজিক রিও দি জানৈরোদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক গেমসদা মেদল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পরালিম্পিয়নশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

গোয়েলনা হায়খি, ঐখোয়না রিও ওলেম্পিক্সকীদমক মশক থোক্লা শেম শাখি অদুবু ঐখোয়গী মায়কৈদা লক লৈখিদবনা মেদল অনীখক্তমক লৌরকখি। হৌজিক চথরিবা পরালিম্পিক্স গেমসতদি ঐখোয়গী পরাএথলেটশিং শিংথানিংঙাই ওইনা পার্ফোমেন্স পীরি। ঐখোয়না পরালিম্পিক্সতা মেদল মরি লৌবা ঙমদুনা চাউথোকচবা ঙম্লি। পরালিম্পিয়নশিংনা হল্লক্নবা মতমদা মখোয়বু হরাউ-তয়াম্না ওক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনেল কবাদ্দি ফেদরেসন (আই কে এফ) গী প্রসিদেন্ট জনার্দন সিংহ গেহলোটনা হায়খি, হৌজিক মখোয়গী পান্দম অমদি মিৎয়েংদি ওলেম্পিক্সকী স্পোর্টস অমা ওইবনি। ঐখোয়না মাঙজৌননা হোৎনদুনা কবাদ্দিবু এসিয়াদতা য়াওহনখ্রে অদুবু হৌজিক ঐখোয়না কবাদ্দিবু ওলেম্পিক্সতা য়াওহনবা পাম্মী। মালেমগী মফম পুম্নমক্তা মীয়াম্না কবাদ্দিবু পাম্না শান্নহনবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা কজাখস্থানবু মায়থীবা পীদুনা ফিবা এসিয়া চেল্লেঞ্জগী ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ১৫ : ইন্দিয়ানা মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ফিবা এসিয়া চেল্লেঞ্জ ২০১৬ কী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী অরোইবা মেচতা কজাখস্থানবু ১০০-৯০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দিয়ানা গ্রুপ ঈদা চিনা, জোর্দান অমদি টাইপৈগী হেকমথংদা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা চঙখি।

ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিমনা কজাখস্থাবু গ্রুপ ঈগী অরোইবা গেমদা ১০০-৯০ দা মায়থীবা পীদুনা মফম অসিদা চথরিবা ফিবা এসিয়া চেল্লেঞ্জ ২০১৬ কী ক্কার্টর ফাইনেলগী মফম কঞ্জবা ঙমখি। মসিগী মেচ মায় পাকখিবা অসিনা থংন-থংননা অহুল্লকশুবা ওইনা মায় পাকপা ওইদুনা নোক আউটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অজাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিদুনা মহাক্কী গ্রুপকী মরিশুবা টিম ওইনা নোক আউটতা চঙবা ঙমখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা টিমশিং অদুদি চিনা, জোর্দান অমদি টাইপৈনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ ষ্টেজদা ৩-২ দা মায় পাক্লা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শক্নাইরবা টি জে সাহিনা অহানবা অমদি অহুমশুবা ক্কার্টরদা নিংথিনা শান্নখিদুনা গ্রুপ ঈগী খ্বাইদগী শোনবা টিম ওইখিবা কজাখস্থানবু কন্ত্রোল তৌখি। ইন্দিয়াগী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স ওইনা মপাঙ্গল কল্লবা ভেটরান সিক্সমেন গার্দ টাশৱিন্দরজিৎ সাহিনা শান্নখিদুনা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা হাফতা ৯/১৪ শুট তৌখি অমদি মহাক্না মাপনলক এটেম্প তৌখিবদা মরিরক পানখি।

সাহিনা অহানবগী মিনিট ২০ দা পোইন্ট ২৫ লৌখি। ইন্দিয়ানা পোইন্ট লৌবা ঙমদনা অমুক লৈখ্রবা মতুং নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা পোইন্ট ৮ অমগা অমুক অহানবা ক্কার্টরদা লৌবা ঙমদুনা হাফ ফাওবদা মাঙজিল থানা চৎখি।




কজাখস্থান্না অহুমশুবা ক্কার্টরদা মশক থোক্লা শান্নখিদুনা টাইদা পুরকখি। মরিশুবা পেরেদতা টিম অমক্তনা পোইন্ট লৌনবা ঙমখিদ্রবসু ইন্দিয়াগী ভেটরান ট্রাইও য়াদৱিন্দর সিংহ, অমজয়োট সিংহ অমদি অমরিটপাল সিংহনা পোইন্টশিং লৌদুনা স্কোরগী ফীভম ফজনা থমখি।

মেচ লোইগদবা মিনিট অহুমদা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১০ অমগা লৌদুনা মাঙজিল থাখি। সিজন গার্দ ভিশেস ব্রিগুভান্সি অমদি সহিনা মখা তাবা পোইন্ট লৌবা ঙমখিদুনা কাজখস্থানবু মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন বাস্কেটবোল টিমনা মফম অসিদা চথরিবা ফিবা এসিয়া চেল্লেঞ্জ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা এসিয়ন পৱর-হাউস চিনাবু ৭০-৬৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন বাস্কেটবোল টিমনা মফম অসিদা চথরিবা ফিবা এসিয়া চেল্লেঞ্জ প্রিলিমিনরি রাউন্দগী ওপনিং মেচতা ফিলিপিনসপু ৯১-৮৩ দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং মথংগী ফিক্সচরদা চাইনিজ টাইপৈগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী প্লেয়র অমজয়োট সিংহ (পোইন্ট ২৪, রিবাউন্দ ১৮), ভিশেস ব্রিগুভানশি (পোইন্ট ২০, রিবাউন্দ ৬) অমদি অমরিটপাল সিংহ (পোইন্ট ১৬, রিবাউন্দ ৮) না ইন্দিয়াবু ফিলিপিন্সতগী মাঙজিল থানা চৎহনখি। ফিলিপিন্সকী টিমদা ফিলিপিন্স’স প্রোফেসনেল লীগ (পি বি এ) কী সেনিয়র প্লেয়র অমত্তা য়াওখিদে। অরোইবগী ক্কার্টরদা পোইন্ট ৯ নেম্না লৈখ্রবা ইন্দিয়ানা অথুবদা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখি।

থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচতা ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈগী মখুৎতা ৬৬-৯০ দা মায়থীহৌখি। ভিশেস ব্রিগুভানশি (পোইন্ট ৩৪) না নিংথিনা শান্নখ্রবসু মায়োক্নখিবা টিম্না মায় পাকখিবদা থিংবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়া অমদি ফিলিপিন্স অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অমজয়োট সিংহনা পোইন্ট ২৪, ভিশো ব্রিগুভানশিনা পোইন্ট ২০, অমরিটপাল সিংহনা পোইন্ট ১৬ লৌখি অদুগা ফিলিপিন্সকী আর ভেলোনা পোইন্ট ২১, ঈ দাক্কুইঅগ ১৫ অমদি আর ইস্কোটোনা পোইন্ট ১১ লৌখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনিজ টাইপৈগী মেচ অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাই চৌনা পোইন্ট ২৩, ক্কিন্সি স্পেন্সর দাভিস থ্রিনা পোইন্ট ১৮, এল হুনা পোইন্ট ১৩ অমদি শি লুইনা পোইন্ট ১৩ লৌখি। ইন্দিয়াগী ভিশেস ব্রিগুভানশিনা পোইন্ট ৩৪ অমদি অমরিটপাল সিংহনা পোইন্ট ১৪ লৌখি।

# পি ভি সিন্ধুনা জপান ওপন সুপর সেরিজদা শরুক য়াররোই

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ : মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা জপান ওপন সুপর সেরিজদা পি ভি সিন্ধুনা শরুক য়াদনবা ফীরেপ লৌখিবদগী বেদমিন্টনগী ফেনশিংনা মহাক অমদি কারোলিনা মারিন অনীগী মশক থোক্নবা মেচ য়েংননবা শাগৎলম্বা মঙলান অদু কায়খ্রে।

রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিনা মারিনগা জপান ওপন সুপর সেরিজগী ক্কার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌদুনা শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি।

পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না মশাগী চহী ২১ শুরবী সিন্ধুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৭ তগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজদসু শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

অদুবু ইন্দিয়ন ফেনশিংগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমদা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৮ দগী দেনমার্ককী ওদেন্সেদা পাঙথোক্কদৌরিবা দেনমার্ক ওপন সুপর সেরিজ প্রিমিয়রদা সিন্ধুনা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ারগনি।

মহাক্কী কোচ গোপীচান্দনা হায়খি, সিন্ধুনা দেনমার্ক ওপনদা হল্লক্তুনা শান্নরগনি। মহাক্না মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনদসু শরুক য়াদুনা অতোপ্পা প্লেয়রশিংগা চাংদম্নগনি। ঐখোয়না মহাক্কী সেদ্যুলদা অহোংবা খরা শেম্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পি ভি সিন্ধুনা রিও ওলেম্পিক্তগী হল্লকখ্রবা মতুং মহাকপু হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্তুনা ওকপগী থৌরম মথং মথং পাঙথোরকখিবনা মহাক্কী ট্রেনিং তৌবদা চোন্থরকখিবনা শেম শাবগী থবক্তা মতম ফংখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা মহাক্না টুর্ণামেন্ট খরদা শরুক য়াদনবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়না এজেন্সিগী পাউ অদুনা ফোঙদোরক্লি।



গোপীচান্দনা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক সিন্ধুদা অয়াম্বা মীয়াম্না মিৎয়েং থমদুনা লৈরে হায়বসি ঐনা খঙই। অতোপ্পা টিমশিংনা মহাকপু দোমিনেট তৌননবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। ঐখোয়নসু মখোয়বু মায়থীবা পীননবা শেম শাদুনা লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক মালেমগী তরাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা সিন্ধুনা লাক্লিবা নভেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চিনা ওপন প্রেমিয়র অমদি হোং কোং সুপর সেরিজদা শরুক য়াগনি হায়রি।

## ফ্রান্সকী মোনফিলসনা দেভিস কপ সেমী ফাইনেলদা য়াওররোই

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৫ : ফ্রেঞ্চনা মখোয়গী দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ সেমী ফাইনেলদা ক্রোসিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ফংখিবা চৈফু অমদা মখোয়গী য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট গেল মোনফিলসনা মখুউগী অশোকপা লৈখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই।

ৱর্ল্ড নম্বর ৮শুবদা লৈরিবা মোনফিলসনা ট্রেনিং চথরিঙৈ মনুংদা মহাক্কী খুউগী অনাবদু হৌরকখি। ফ্রেঞ্চকী টিমদা হান্ননা জো ৱাইফ্রাইদ সোঙ্গা মশাগী অশোকপা লৈবদগী য়াওদনা লৈরকখিবনি। সোঙ্গাসু য়ু এস ওপনগী ক্কার্টর ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অদু মহাক্কী ওইথংবা খুউগী অনাবা লৈবদগী শান্নদনা তোকখিবনি।

সোঙ্গাগী মহুত্তা রেঙ্কতা ১৭শুবদা লৈরিবা রিচার্দ গাস্কেটপু টিমদা কৌখৎখি। গাস্কেটনা ১৮শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা লুকাস পাওলেগা পাদুনা সিঙ্গলস মেচতা শরুক য়াগনি। ফ্রেঞ্চকী কেপ্টেন য়ান্নিক নোআনা হায়খি, ওইরিবা ফীভম অসি ঐখোয়গীদমক্তদি লাইবকথীবা অমনি। অদুবু ঐখোয়না রিচার্দতা অকনবা মিৎয়েং চঙদুনা ট্রেনিংশিং পীরি। হৌজিক রিচার্দনা শেম শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।